লোকনায়ক জয়প্রকাশকী ১১৮শুবা মপোক কুমওন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১২ (ঐচএনএস) : জে পি নারায়ন বর্থ দে সেলেব্রেসন ওর্গনাইজিং কম্মিটিনা শিন্দুনা লাঙ্গোল ইম্ফালদা লোকনায়ক জয়প্রকাশ নারায়নগী ১১৮ শুবা মপোক নুমীৎকী থৌরম পাঙথোকখ্রে হায়না ওর্গনাইজিং কম্মিটি অসিগী কনভিনর অরিবম রিশি শর্ম্মনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তানা হায়, থৌরম অদুগী নুংগী ওইবা ৱারোল পীরদুনা গান্ধীয়ান টি ভি ঙাঙোম্বনা হায়খি জয়প্রকাশ নারায়ন মীয়াম্না জে পি হায়না খঙনদুনা শক্ল-শোন্নরিবা মীশক অসি অনৌবা ইন্দিয়া শেম্লম্বা খ্বাই মীয়ামগী লুচিংবা অমনি। মহাক্না তমথিরবা এমার্জেন্সিগী মতমদা দিম্মোক্রেসিবু খোংগাওনবগী মায়োক্তা ইন্দিয়ানশিংবু লুচিংখিবা মীশক অমনি হায়খি।

থৌরম অসিগী অথোয়বা মীথুংলেন ওইখিবা লোক সভাগী এম পি ডা. রাজকুমার রঞ্জননা ফোঙদোকখিবদা জে পি অনৌবা ইন্দিয়াগী অনৌবা লৈঙাক অমা পুরক্নবা চঙশিনবদা মাঙজিন থাবা ইহৌগী লুচিংলেননি। মহাক্না ইন্দিয়াগী ইকোনোমি, সোসিও কলচর, দিম্মোক্রেসি অমসুং পোলিটিক্সকী লম্দা তোপ-তোপ্পা মার্ক্সিষ্ট ইদোলোজিগী মীৎয়েংদগী য়েংখিবা মীশক অমনি। মহাক্কী লৈবাক্কীদমক কৎথোকপগী থৌনা অমদি ফজরবা ৱাখল্লোলশিংবু ঐখোয়না মতম পূম্নমক্তা নীংশিংদুনা লৈরগনি হায়খি।

থৌরম অদুদা মণিপুর লাইব্রেরি এসোসিয়সনগী প্রসিদেন্ট কাংজম চাওবানা প্রসিদেন্ট অমদি অখন্নবা মীথুংলেন ওইনা এক্স-মিনিষ্টর খুন্দ্রাকপম জিবোনসু শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগা ইরোইননা সী পি আই (এম) মণিপুরগী সেক্রেটরি ক্ষেত্রিময়ুম সান্ত, এমার্জেন্সিগী ভিক্তিম ভুপেনচন্দ্র ঘোষ অমসুং মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ডা. ক্ষেত্রিময়ুম নারায়নসু ৱা ঙাঙখি হায়রি। লোয়ননা থৌরম অসিগী মনুংচন্না অথোইবা মীথুংলেন ওইখিবা এম পি ডা. রঞ্জননা মণিপুরগী ভেতরান এমার্জেন্সি ভিক্তিম পুখ্রম্বম কুল্লচন্দ্রদা ইকায়খুম্নবা উৎপা ওইনা শাল অমা লেঙয়ান ওইনা খুদোল তমখি হায়রি।

লৈঙাক্না মীৎয়েং চঙবিদুনা ৱারোইশিন পুরক্নবা হোৎনবিয়ু

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১২ (ঐচ এন এস) : ইম্ফাল ইষ্টকী লম্লাই এ সীগী মনুং চন্না লৈবা শৈজাং খুলগা য়াম্না নক্লনা লৈরিবা সাইখুল এ সীগী মনুংচন্না লৈরিবা সাইলেন্ট খুল অনীগী মরক্তা চহী ৫৬ লোমগী মমাংদগী লমগী ৱাহৌদা চয়েৎনবা অমা লৈরিবা অসি লৈঙাক্না অথুবা মতমদা মীৎয়েং চঙবিদুনা অথুবা মতমদা ৱারোইশিন অমা পুরক্নবা হোৎনবিয়ু হায়না শৈজাংগী লম্পাক্তা পাঙথোকখিবা মীফম অমদা শৈজাং দিভলপমেন্ট কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট দব্লিয়ু ইবোমচানা ফোঙদোরক্লি।

শৈজাং অমদি সাইলেন্ট খুল অনীগী মরক্তা য়েৎনদুনা লাক্লিবা লমগী ৱাহৌদা হৌখিবা কুমজা ২০১৩দা য়েৎনরিবা মফম অদুদা শাজিল্লম্বা য়ুম কয়া মৈ থাদোকখিবগী থৌদোক থোকখিবসু লৈখ্রবনি। চহী তরেৎকী মতুংদা হায়রিবা মফম অসিদা অমুক্কা হন্না য়ুম শাজিল্লকপা মরম্না লৈঙাক্কী মরী লৈনবশিংনা য়েংশিনবিয়ু। করিগুম্বা য়ুম শাজিল্লকপগী থবক অসি মখা তানা অদুমক চৎথরবদি কুমজা ২০১৩দা থোকখিবা থোকহন্নিংদবা থৌদোক অদু অমুক হন্না থোরকপা য়াই। মরম অদুনা থোকহন্নিংদবা থৌদোক থোক্ত্রিঙৈদা মরী লৈনবশিংনা মীৎয়েং চঙবিদুনা লমগী চয়েৎনরিবা অসিগী মতাংদা ৱারোইশিন অমা পুরকপা ঙম্নবা হোৎনবিয়ু হায়রি। থৌরম অদুদা কম্মিটি অসিগী সেক্রেটরি এল সুভাসিং অমদি শৈজাং খুলগী মীওই কয়া শরুক য়াখি হায়রি।

মণিপুরী মীয়াম্বু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১২ (ঐচএনএস) : কে এস ও অমদি কুকি ইনপি কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টনা নেসনল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটিগী ফাইনেল দিমার্ককেসনদা অয়েৎপা পীবা অদুগা মরি লৈননা কে এস ওনা কৌখিবা বন্দ অদুগী মায়োক্তা লেপ্পুনা কে এস ওগী বন্দ অদুবু তোকহনখিবা মণিপুরী মীয়াম পুম্নমকপু হায়নিংঙাই লৈতনা থাগৎচরি হায়না নেসনল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি হরাওথেন প্রোটেক্সন কম্মিটি (এন এস য়ু ঐচ পি সী)গী ৱর্কিং চ্যেরমেন আই রঞ্জননা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তানা হায়, তুংদসু লৈবাক্কী চিরবা তানফম কয়াদা জাতি-কাংলুপকী খেন্নবা থমদনা মণিপুরী মীয়াম পুম্নমক্না চপ মান্ননা লেপমিন্নদুনা নেসনল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি (এন এস য়ু) শাবদা য়ৈখায়-থিনগায়বা থোক্লিবা পুম্নমক থেংনমিন্নসি। লোয়নননা মণিপুরী মীয়ামগী শিংবা ঙল্লরোইদবা লমন অমা তোনশিনজরে হায়না এন এস য়ু ঐচ পি সীনা লৌই। ইম্ফাল ৱেষ্টকী হরাওথেলদা শাগদৌরিবা এন এস য়ু অসি মণিপুর অমদি ইন্দিয়া মীয়ামগী লননি হায়না ফোঙদোরকখি।

লেপ্পা লৈতনা তেংবাংবিরকপগীদমক থাগৎপা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১২ (ঐচএনএস) : ইম্ফাল ইষ্টকী কৈবী সনাপাৎতা লৈবা য়াইবীলেন চিলদ্রেন হোমদা লুপ অমদি লনাই মীওই কয়ানা লেপ্পা লৈতনা তেংবাংবিরক্লি। মীয়ামগী মতেং খক্তনা হিংজরিবা হোম অসিগী অঙাংশিংবু নুংশিবিদুনা তেংবাংবিরক্লিবা পুম্নমক্কী মফমদা হোম অসিগী অঙাংশিং অমদি মেনেজিং কম্মিটিগী মেম্বরশিংনা তৌবিমল খঙবা উৎচবগা লোয়নননা থাগৎপা ফোঙদোকচরি হায়না য়াইবীলেন চিলদ্রেন হোম মেনেজিং কম্মিটি কৈবি সনাপাৎকী প্রসিদেন্ট য়াঙ্গোই পিবানা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তানা হায়, হোম অসিদা থা খরগী মনুং অসিদা মতেং পাংলকখিবা মীওইশিং অদুদি ওগষ্ট ২৮দা হাওবম মরক্তগী লোংজম চিতরঞ্জন অমদি উসারানি; নুমীৎ অসিমক্তদা ৱাংখৈ অয়াংপল্লিদগী চিঙাখম লোইঙমলেম্বা মৈতৈ; ওগষ্ট ২৯দনা হাওবম মরক্তগী আরচনা, অঞ্জলি, জুসিলা, মাইকেল, কানন, সুসিল অমদি হরিদে; নুমীৎ অসিমক্তদা নয়ুকো অমদি অমুকোগী প্রসিদেন্টশিংগা লোয়নননা থৌমি ২৫; ওগষ্ট ৩০দনা য়ুম্নাম লৈকায় মনিং অৱাং লৈরক্তগী লৈখিদ্রবা চুংখাম তোম্বা অমদি চুংখাম ওংবি বিনাগী মচানুপী চুংখাম ভেলেনটিনা; ওক্টোবর ২দনা খাগেমপল্লি হুইদ্রোম লৈকায়গী খুরাইজম ইন্দ্রমনি অমদি মচানুপা খুরাইজম বোবি; ওক্টোবর ৫দনা ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী সেরৌ পার্ট-২দগী বিপ্লব কুমার মন্দল; ওক্টোবর ৭তনা ইরোইশেম্বা মমাং লৈকায়দগী নান্দেবম পরসুরাম অমদি ইরোম ইবোতোম্বী; ওক্টোবর ১১দনা লৌশাংখোংদগী ৱাইরোকপম অনন্দ অমদি পুইনবতিগী মচানুপা লুখোই অমসুং পুহেন অমদি নুমীৎ অসিমক্তদা সগোলবন্দ তেরা সাপম লৈরক্তগী রোনাল্ড নিংঙোম্বম অমদি মহাক্কী মরুপশিং য়াওনা হায়রিবা মীওইশিং অসিনা য়াইবীলেন চিলদ্রেন হোমদা লাক্তুনা হোম অসিগী অঙাংশিংগা উন্নদুনা চাকলেন পীজবগা লোয়নননা চানথক্লবা, শান্ননবা, অচা-অথক, ষ্টেসনরিগী পোৎলমশিং, হেন্দ সেনিটাইজর, মাক্স অমদি শেল ওইনা মতেং কয়া পাংবিরমখি হায়রি।

সী পি আইগী ফিরেপ্তা অহোংবা লৈতে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১২ (ঐচ এন এস) : লাক্লিবা নবেম্বর ৭তা পাঙথোক্কদবা এসেম্বলি এ সী মঙাগী বাই-ইলেক্সনদা সী পি আইগী ফিরেপ হোংবা লৈতে। শাথিরবা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ অসিদা হেন্না খুদোংথিগনি, লোয়নননা ভোৎ হল্লিবা অসি মরন্নাইগী অহেনবা খুদোংচাবগীদমক খল্লগা ভোট হনবনি। মরম অসিনা অসিগুম্বা ইলেক্সন অসিদা সী পি আইগী মীরেপ থাগৎলোই। লোয়নননা ভোট হনবা মরম চাদে হায়না অকনবা কেম্প্যেন তৌগনি হায়না মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিল কম্মুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া (এম এস সী/সী পি আই)গী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি কে ঐচ সুরচান্দনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

মাংহন-তাকহনবিখ্রবা লৌফম ৩০০মুক্কী ক্ষেত্রিপোরোন পীবিয়ু : এন এম এম দব্লিয়ু দি এ

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১২ (ঐচএনএস) : হৌখিবা সেপ্তেম্বর ৯,১০,১১দা ইখঙ খঙহৌদনা লোক্কদবা থা অমত্তা ঙাইরবা ফৌ শাৎলবা লৌফম ৩০০ লোম হেনববু ট্রেক্টর ৪০-৫০ রোম শীজিন্নদুনা এয়রপোর্ট ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া (এ এ আই)না তকখাইদুনা মাংহনখিববু নিংঙোম্বম ময়াই-মনিং ৱিমেন দিভলপমেন্ট এসোসিয়সন (এন এম এম দব্লিয়ু দি এ)না কন্না য়ানিংদে হায়না এন এম এম দব্লিয়ু দি এনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তানা হায়, কোভিদ-১৯গী লোকদাউন মরক্তা শুফম-নোমফম খঙদ্রবা নিংঙোম্বম অমসুং মসিগী অকোয়বদা লৈরিবা খুলগী মীয়াম্না খজিক শাফগনি খন্দুনা লোফমশিং অসিদা শেল চঙনা লৌ উনখিবনি। হায়রিবা লৌফমশিং অসিদা হান্নদগী চংথোক-চংশিন তৌবদা এ এ আইগী মায়কৈদগী করিসু অথিংবা পীখিবা লৈতে। মী চংথোক-চংশিন তৌবা অমদি লৌ উবা হৌরকপা মতমদা অথিংবা থমদ্রগা ফৌনা চরোং হায়থরবা মতমদা ট্রেক্টরনা খোইদোক্লগা মাংহনবা অসি মরম চাদে। মরম অদুনা পুকচাক থদৎপীরবা অমসুং অৱাবা তারবা লৌমিশিংদা মরি লৈনবা ওথোরিটি অমসুং মণিপুর লৈঙাক্না মতিক চাবা ক্ষেত্রিপোরোন পীবিয়ু। লোয়নননা হীরম অসিগী মতাংদা এগ্রিকলচরেল লেবর্স এসোসিয়সন নিংঙোম্বম (এ এল এ এন)না চঙশিল্লকপা থবক থৌরমশিংদা নিংঙোম্বম ময়াই-মনিং ৱিমেন দিভলপমেন্ট এসোসিয়সননা মপুং ফানা শৌগৎক্লনি হায়না চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরকখি।

ভলন্টরি ব্লদ দোনেসন কেম্প পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১২ (ঐচএনএস) : লাইফ সেভর্স মণিপুর, ষ্টেট ব্লদ ট্রান্সফ্যুজন কাউন্সিল, এম এ সী এস, ষ্টেট ব্লদ সেল, নেসনল হেল্থ মিসন, মণিপুর অমদি জেনিমস ব্লদ বেঙ্ক সর্ভিসেস পোরোমপাৎকা পূন্না খুৎশম্নরগা পোরোমপাৎতা লৈবা জেনিমস ব্লদ বেঙ্কতা নেসনল ভলন্টরি ব্লদ দোনেসন দেগী ইরোইননা ভলন্টরি ব্লদ দোনেসন কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে হায়না লাইফ সেভর্স মণিপুরগী মেনেজিং দিরেক্টর কে পদ্মকুমারনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তানা হায়, পাঙথোকখিবা ভলন্টরি ব্লদ দোনেসন কেম্প অদুদা লাইফ সেভর্স মণিপুরগী মেনেজিং দিরেক্টর পদ্মকুমারনা ফোঙদোকখিবদা কোভিদ-১৯না ব্লদ বেঙ্কশিংদা ঈ ৱাৎপগী খুদোংচাদবা ময়োক্লরিবা মতম অসিদা তুংগী য়ুম্বীরেল ওইরক্কদৌরিবা খুন্নাই অসিগী ভলন্টরি ব্লদ দোনর নহাক কয়ানা শরুক য়াখিবদা অপেনবা অমদি নুংঙাইবা ফোঙদোকখি। লোয়নননা থৌরম অদুদা ভলন্টরি ব্লদ দোনরশিংদা লেম্না ফেস মাক্স, দোনর বেজ অমদি সর্টিফিকেটসু য়েন্থোকখি হায়রি।

নুমীৎ ৫নি চুপ্পা পাঙথোরকপা থাং-তাগী ফেষ্টিবেল লোইশিনখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১২ (ঐচ এন এস) : ইষ্টর্ন কালা বিদ্যা থাং-তা এসোসিয়সন নোংমৈবুংনা শিন্দুনা পাঙথোকপা নুমীৎ মঙানিগী ওইবা ফেষ্টিবেল ওফ থাং-তাগী থৌরম লোইশিনখ্রে হায়না ইষ্টর্ন কালা বিদ্যা থাং-তা এসোসিয়সনগী সেক্রেটরি কে ঐচ সুনিলনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তানা হায়, লোইশিনবগী থৌরম অদুদা কিমাক্সকী প্রসিদেন্ট নিংথৌজম অজিৎকুমারনা চীফ গেষ্ট, খোইস্নাম ধবল্লো খাবনা প্রসিদেন্ট অমদি এন রঞ্জন মঙাং, দি মণিপুর থাং-তা কলচরেল এসোসিয়সন খোঙমননা গেষ্ট ওফ ওনর ওইদুনা পাঙথোকখি হায়রি। ফেষ্টিবেল অসি দিপার্টমেন্ট ওফ আর্ট এন্দ কলচর গবর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরগী শেন্থং মখাদা পাঙথোকপনি। ফেষ্টিবেল অসি পাঙথোকপগী পান্দমদি মণিপুরগী অমত্তা ঙাইরবা নাৎ অমদি কলচরগী য়াংলেন শরু ওইরিবা থাং-তাবু হেন্না মশেক-মঙাল থোক্না শন্দোকপগী পান্দমদা পাঙথোকপনি। থৌরম অসিগী চীফ গেষ্ট ওইখিবা নিংথৌজম অজিৎকুমারনা হায়, থাং-তা তম্বা হায়বসি ইমা-ইপা, মশক খঙনা তম্ববু থাং-তা তম্বনি। লোয়নননা হৌজিক মালেমগী ওইবা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ অসিদগী মতৌ করম্না থাং-তাগী মনুংদা লৈরিবা শাজেলশিং অমদি কাংলোনশিং শান্নদুনা ঐখোয় পুন্না লাইচৎ অসি থেংনসি হায়নসু ফোঙদোকখি। থৌরমগী শরুক অমা ওইনা মহৈরোয়শিংনা থাং-তাগী কাংলোন কয়াসু উৎখি হায়রি।

কম্মান্দোনা কে ৱাই কে এলগী কাদর অনী ফারে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১২ (ঐচএনএস) : ককচীং দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এদিসনেল সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস (ওপরেসন) কে এস ঐচ মনিহারগী মীৎয়েং মখাদা সী দি ও, ককচীং য়ুনিটকী ও সী, ইন্সপেক্টর এম দি অবাশ খানগী কম্মান্দ মখাদা হেদ কন্সটেবল এম সুরজ কুমারনা লুচিংবা ককচীং লমখায়গী এরিয়াদা এস ও পি ঙাক্লা অচৎ-অওকশিং চ্যেক তৌবগী থবক চংবদা লোনা থিংখ্রবা লালহৌলূপ কংলৈ য়াওল কন্না লূপ (কেৱাই কে এল) গী কাদর অনী ফারে হায়না এস পি, ককচীং ভিক্টোরিয়া য়েংখোমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারক্লিবদি ফাগৎলবা কে ৱাই কে এলগী কাদর অনী অদুদি ময়াংলম্বম রঞ্জিৎ (৪০) এলিয়জ প্রেমচান্দ অপোকপা এম চাউবা, উমাথেল মখা লৈকায়দগীনি। মহাক ১৯৯৮দা সেল্ফ ষ্টাইল সর্জেন্ট মেজর খেলেম্বগী মখাদা কে ৱাই কে এলদা য়াওদুনা খৌপুমদা নুমিৎ ৪৫ নিগী বেসিক মিলিটরি ত্রেনিং ফংলে। মহাক্কী আর্মি নম্বরনা ০১৯নি। মহাক্কী হৌজিক ওইরিবা রেঙ্কনা কেপ্তেন ওইনা সেল্ফ ষ্টাইল লেফটিনেন্ট কর্নেল ঈংবগী মখাদা মহাক্না পীরকপা দিরেক্সনগী মতুংন্না কেদরশিং তমুদগী মন্দলে ফাওবা পুথোক পুশিন তৌবনি হায়রি। অতোপ্পা কাদর অদুনা থিংঙাম দিলিপ (৪৮) এলিয়জ চীংখুবা অপোকপা লৈখিদ্রবা টি ঐচ হেরাচন্দ্র, ককচীং খুনৌ নিংথৌ লৈকায়দগীনি। মহাক্কী রেঙ্কনা মেজরনি। মহাক্না কুমজা ১৯৯৪দা রিশি এলিয়জ য়াম্বুং কৌবা সওম্বুং, ইম্ফাল ইষ্ট হায়রিবা মীওই অসিগী মখাদা লূপ অসিদা য়াওদুনা চান্দেলদা লৈবা এন এস সী এন (আই এম) গী কেম্পতা এন এস সী এন (আই এম) গী কেদরশিংগা লোয়নননা নুমিৎ ৪৫নিগী মিলিটরি ত্রেনিং ফংলবা কেদরনি। মহাক কুমজা ২০১৭ ফাওবা ইষ্টর্ন নাগালেন্দদা লৈবা ২শুবা বট্টালিয়নগী কম্মান্দর ওইনা থবক তৌরম্মী। মদুগী তুংদা ককচীংদগী সেল্ফ ষ্টাইল মেজর খেলেম্বগী কম্মান্দ মখাদা খেলেম্বগী এসিষ্টেন্ট ওইনা পার্টি এফ্যেরসকীদমক কুমজা ২০১৭তগী হৌজিক ফাওবা থবক তৌরম্মী হায়বা খঙলে হায়রি।

ফাগৎলবা কেদর অনীমক মখা তাবা লিগেল এক্সন লৌখৎনবা ও সী ককচীং পুলিস ষ্টেন্দা খুৎশিন্নখ্রে হায়রি।

মীওই ৮৩৩ ফ্লাইটতা পুশিল্লকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১২ (ঐচএনএস) : মণিপুরদা কোভিদ-১৯গী লায়না-লাইচৎ অসিনা লমদম অসিগী মীয়ামদা তপ্পা তপ্পা মীশিমীনাগী চৈথেং পীরবসু মপান্দা লৈরম্বা মীওইশিং ফ্লাইটতা পুদুনা মণিপুরদা লেপ্তুনা পুশিল্লক্লি।

ঙসিসু মণিপুরগী মপান্দা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ৮৩৩ রোম তোঙান তোঙানবা ফ্লাইটতা পুদুনা ইম্ফালগী বির টিকেন্দ্রজিৎ ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টতা পুরকখ্রে। ঙসি অয়ুক পুং ১০.৪৩ রোম তাবদা দিল্লি অমদি গুৱাহাটিদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ১১০ রোম এয়র এসিয়া আই ৫-৭৮৩ ফ্লাইটনা ইম্ফাল এয়রপোর্টতা পুরকখ্রে।

অনীশুবা ফ্লাইট ইন্দিগো ৬ ঈ-৪৫৭না অয়ুক পুং ১০.৪৭ রোম তাবদা গুৱাহাটিদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ১৩৫, অহুমশুবা ফ্লাইট এয়র ইন্দিয়া ৯ আই - ৭৪১না নুংথিল পুং ১২.১০ রোম তাবদা গুৱাহাটি অমদি দিমাপুরদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ৪৫, মরিশুবা ফ্লাইট ইন্দিগো ৬ ঈ-৮৮৯না ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ১২.৪০ রোম তাবদা অগরটালাদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ১০২, মঙাশুবা ফ্লাইট ইন্দিগো ৬ ঈ-৬৩২৩ না নুংথিল পুং ১.১৫ রোম তাবদা কোলকটাদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ১২৬, তরুকশুবা ফ্লাইট ইন্দিগো ৬ ঈ-২০১৯না নুংথিল পুং ১.২০ রোম তাবদা দিল্লিদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ১৫৭ অমদি তরেৎশুবা ফ্লাইট এয়র ইন্দিয়া এ আই ৮৮৯না ঙসি নুংথিল পুং ২.১১ রোম তাবদা দিল্লিদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ১৫৭ রোম ইম্ফাল এয়রপোর্টতা পুশিল্লকখ্রে হায়রি।

লৌশিং পুক্কে

কোফী কা হেঞ্জিন্না থকপগী কান্নদবা লৈ

কোফি থকপগী কান্নবা কয়া লৈরবসু কা হেঞ্জিন্না থকপগী কান্নদবা কয়াসু লৈ। অয়ুক য়াহৌরকপদা কোফী কপ অমা থকপনা মীৎ শিংহনবগা লোয়নননা ইশাগী ইথৌ নীংথিনা পাঙথোকপা ঙমহল্লি।

কোফী থকপা ফৈ নৎত্রগা ফৎতে হায়বগী মতাংদা মতম কয়াগী মমাঙদগী য়েৎনদুনা লাক্লি। অনৌবা ষ্টদি অমগী রিপোর্ট মতুংইন্না ময়ায় ওইরকপা চাংদা কোফী থকপনা হকচাংদা কান্নবা কয়ামরুম পীরবসু হেঞ্জিন্না থক্লবদি পামদবা সাইদ ইফেক্ট থোকহল্লি হায়রি।

কোফীদা মরুওইবা মচল অমা ওইনা য়াওরিবা কেফিননা মীৎ শিংহনবগা লোয়নননা হকচাং তেকখৎহল্লি। অদুবু নোংমদা কেফিন মিলিগ্রাম ৫০০ দগী হেল্লবদি তূম্বা য়াদবা, ৱাখল চরাংনবা, পোত্থাফম খঙদবা, পুক নুংঙাইতবা, কোক চীকপা, কোক ঙাওবা, দিহাইদ্রেসন অমসুং থম্মোয়গী মিহুল চাং নাইদবা অসিনচিংবা খুদোংচাদবা কয়ামরুম থোকহল্লকপা য়াই হায়রি।

অমরোমদা, য়ুনাইটেদ কিংদমগী অলষ্টর য়ুনিভর্সিটিনা ফোঙলকখিবা ষ্টদি অমগী রিপোর্টনা হায়খি, ময়ায় ওইরকপা চাংদা নুমীৎ খুদিংগী কোফী থকপনা হকচাংদা কান্নবা কয়ামরুম পীবগী খুদম ফংলে/য়ুনিভর্সিটি অসিগী রিছার্চরশিংনা কুমজা ১৯৭০ দগী হৌরগা তোঙান তোঙানবা ষ্টদি ১,২৭৭ কী রিপোর্ট নৈনবদা ৱাফম অসি খঙলকপনি। নোংমদা কোফী কপ ৩/৪ থকপনা হকচাংদা কান্নবা পীবমক নৎত্রবসু থোইদোক্লা অকায়বা থোকহন্দে হায়রি। ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু ঐচ ও) নসু কোফী থকপনা হকচাং শোকহনবা অমদি কেন্সর ওইহল্লকপা য়াবগী খুদম ফংদে হায়না ফোঙদোকখি।

ইন্টরনেসনল এজেন্সী ফোর রিছার্চ ওন কেন্সরগী এক্সপার্টশিংনা হায়খি, কোফী থকপনা কেন্সর ওইহল্লি হায়বসি কনাগুম্বনা ৱাখলনা শাগৎলগা ফোঙদোকপা ৱাফম শোয়দনা ওইগনি। কোফী অমসুং কেন্সরগী মরক্তা লৈনবা মরী খঙদোক্লবা হোৎনখিবা ওক্সফোর্দ য়ুনিভর্সিটিগী ইপিদমিওলোলিষ্ট ওৱেন য়াংনা হায়খি, মালেমগী লৈবাক অয়াম্বদা ইসোফেগীয়ল কেন্সর নাবগী চাং ৱাংখৎলক্লবসু কোফীনা কেন্সরগী রিস্ক হেনগৎহনবগী খুদম অমত্তা ফংবা লৈত্রি। অদুম ওইনমক কোফীবু ওইরবসু নৎত্রগা চা ওইরবসু কা হেন্না শারিঙৈদা থক্লবদি হকচাং শোকহনবগা লোয়নননা কেন্সরগী রিস্ক হেনগৎহল্লি হায়রি।

মালেমগী ওইনা কোফী খ্বাইদগী য়াম্না থকপা লৈবাক্তি য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনি। মথৎদনা ব্রাজিলনি। চাংচৎতা অমেরিকান অমনা চয়োল খুদিংগী দোলর ২১.৩২ কোফীদা চাদিং তৌই।

হার্ভার্দ মেদিকেল স্কুলগী ন্যুরোসাইন্টিষ্ট অমসুং স্লিপ এক্সপার্ট চার্লস চিসলরনা হায়খি, মতম চুপ্পা নুমীৎ অমসুং থানা খোঙচৎ কায়দনা থোরকপগুম তূম্বা অমদি য়াহৌবগী থৌওংসু খোঙচৎ কায়হনবা য়াদে। অদুবু মীপুম খুদিংমক মথৌ চিনবা হেনগৎনরকপদগী নুমীদাং তূমগদবা মতমদসু থবক শুবা মথৌ তারকখি। মরম অদুনা তূম্লিংবা ফাওদনবা কোফী, চা অমদি সোফ্‌ট দ্রিঙ্কনচিংবা কেফিন য়াওবা মহী থকপগী হৈনবী থম্নরকপনি।

পেন্সিলভেনিয়া ষ্টেট য়ুনিভর্সিটিগী ষ্টদি অমগী মতুংইন্না চাংচৎতা মীপুম খুদিংমক নোংমদা কেফিন য়াওবা মহী অমা নৎত্রগা অমা থকই হায়রি। মদুদা য়াওরিবা কেফিনগী চাংনা মিলিগ্রাম ১৬৫ নি। কেফিন য়াওবা মহী ৬৪ ফাওবগী মনুংদা লৈবা মীওইশিংনি হায়রি। চহী ১০ রোমগী মমাঙগা য়েংনবদা ঙসিগী মীরোলনা কেফিন শীজিন্নবগী চাং হেনগৎলক্লে। মখল কয়াগী ইনর্জি দ্রিঙ্ক, চোকোলেট অমসুং সোফ্‌ট দ্রিঙ্ক থোরকপদগী মীয়াম্না কেফিন শীজিন্নবগী চাং ৱাংখৎলকপনি।

অখঙ-অহৈশিংনা ফোঙদোক- খিবা মতুংইন্না কেফিনসু দ্রগ মখল অমনি। দ্রগ খদিংমক হেঞ্জিন্না শীজিন্নবা মতমদা ওভরদোজ ওইবগুম কেফিনসু হেঞ্জিন্না শীজিন্নরবদি ওভরদোজ ওই। অদুবু চাং কয়া য়াম্না শীজিন্নরগা ওভরদোজ ওইবগে হায়বদুগী মতাংদা চপ চানা লেপথোকপা ঙমদ্রি।

সেন্ট্রেল নরভস সিষ্টেমদা ষ্টিম্যুলেট তৌরিবা কেফিন অসি মালেমদা খ্বাইদগী পাক শন্না শীজিন্নবা সাইকোএক্টিভ দ্রগ মখল অমনি। হায়রিবা দ্রগ অসি ‘মিথাইলেটেদ জের্ন্টিন’গী মনুং চল্লি। মায়ো ক্লিনিক্কী রেক্কমেন্দেসন মতুংইন্না নোংমদা মশা-মউ ফবা মীওই অমনা কেফিন মিলিগ্রাম ৪০০ ফাওবা শীজিন্নবা য়াই হায়রি। কোফী কপ ৪/৫, সোদা কেন ১০ অমসুং ইনর্জি দ্রিঙ্ক বোট্টল অনীদা কেফিন মিলিগ্রাম ৪০০ রোম য়াওই।

তশেংবদি কেফিনগী কান্নবা কয়ামরুম লৈ। পেন্সিলভিনিয়া ষ্টেট য়ুনিভর্সিটিগী রিপোর্ট অমনা হায়খি, অকক্লবা চাংদা শীজিন্নরবদি কেফিননা হকচাংগী অরূম্বা হন্থহনবা, টাইপ-টু দাইবেটিসকী রিস্ক হন্থহনবা, পার্কিন্সন’স দিজিজগী লায়ওং হন্থহনবা অমসুং কেন্সরগী রিস্ক হন্থহনবদা মতেং পাংই। অদুম ওইনমক নুমীৎ খুদিংগী চাং নাইনা শীজিন্নবা মতমদা কেফিননা হকশেলদা খুদোংচাদবা কয়ামরুম থোকহল্লকপা য়াই। অমরোমদা, ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু ঐচ ও) না স্পোন্সর তৌরগা ইন্টরনেসনল এজেন্সী ফোর রিছার্চ ওন কেন্সর (আই এ আর সী) না চথখিবা ষ্টদি অমগী রিপোর্টনা হায়খি, অকক্লবা চাংদা মফম মতম চানা শীজিন্নরবদি কেফিননা হকচাংদা কান্নবা কয়ামরুম পী। হীরমসিগী মতাংদা মখা তানা থিজিনগদবা কয়া লৈরি।

হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

মীয়াম্না করি হায়রি, করি পাম্লি

নাওরেম জানেশ্বর, থোংজাও চফুশাফম

মণিপুরদা ময়াই কাবা চিঙ্গাক থিংলি হায়বসি তশেংনা থিংলিবরা নৎত্রগা সোসল মীদিয়াদা মমিংতগী ওইনা নিংশিংলকপা মতম-মতমদা থিংলিবরা হায়বগী ৱাহং অসি লৈবাক মীয়াম্না লৈঙাক অমদি মরি লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংদা হংনিংবা ফাওরে। অসুম্না মমিংখক্কীদমক মানবা থৌওং অসিনা ময়াই কাবা চিঙ্গাক শীজিন্নবগী চাং হন্থরকপদি লাইরদনা মপান লমদগী ময়াই কাবা চিঙ্গাক্কী পোৎলমশিং অসি পুশিল্লকইবা বিজিনেস তৌরিবশিংনা হেন্না মমল ৱাংনা শরুক অনী হেনগৎনা য়োন্দুনা শেল তান্নবগী নুংঙাইবা লম্বী অমা ওইনা মনুংদা শিন্নবা লৈরবরা হায়বগী চিংনবসু লৈতবা নত্তে। তশেংনা ঐখোয়গী মণিপুরদা ক্বা, তলব, চুরুটনচিংবা ময়াই কাবা চিঙ্গাকশিং সী এস ও কয়া অমদি লৈঙাক্না থিংলে হায়দুনা কন্না হোৎনরবসু হায়রিবা ময়াই কাবা পোৎলমশিং অসি অদুমক ফংদবা মফম লৈতে। মসিদি ইফোং-ফোংনা ঐখোয়না উরবা অমদি খঙনরবা ঙাক্তনি। মসিদা নত্তনা ময়াই কাবা চিঙ্গাক থিংনবা এক্সন হায়বদি সোসল মীদিয়াদা ফোটো কাপ্পগা থাগৎনবা হোৎনবদা য়াম্না অশোনবা করিসু তৌরকপা ঙম্লোইদবা মীওইশিং অদুবু ফাগৎপা ওইনা তৌরি লোয়নননা উপাই লৈজদ্রবা মীওইশিংদুদা অৱাবসু তাহল্লি। ফোংনা অচৌ-অচৌবা কনসাইনমেন্ট পুশিল্লকপা অমদি ফারবা মীওইশিংদদি চৈথেং ফংদবগী মমি ঙসিসু অদুমক তাদবা নত্তে।



ৱাংখৈরাকপম মাইপাক, নোংমৈবুং পুং মখোং

মণিপুরদা মীয়ামগী মীহুৎ ৬০ লৈ। মীহুৎ ৬০ অসিগী মরক্তগী খরখক্তনা লৈঙাক শেমদুনা মীয়ামগীদমক থৌদাং লৌবিরি। অদুবু মীপুম খুদিংমক পেলহনবা হায়বসিদি তাইবঙমপুনা ফাওবা ঙম্বা নত্তে। অদুবু হায়জনিংবদি তোঙান-তোঙানবা মীওইশিংনা ফংবা য়াবা স্কিম মরাং কায়না গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা মণিপুর লৈঙাক্তা পীবিরকই। স্কিমশিং অদু মীয়ামদা লৈঙাক্না খরদি ফংহনবিরি। অদুবু তশেংনা মথৌ তারিবা মীওই কয়াদি ঙসিসু অদুমক ফংদনা লৈরি। নোংমগী শু-নোমদুনা হিংজরিবা মীওইশিংদা হায়রিবা কান্নরবা স্কিমশিং অসি ঐগী-মীগী নাইদনা ফংহন্নবা হোৎনবিয়ু লোয়নননা চীফ মিনিষ্টরনসু হীরম অসিগী মতাংদা অখন্নবা মীৎয়েং চঙবিয়ু হায়জরি। মন্ত্রি-এম এল এগী মিংদা মীওই খরনা তৌনিংবতা তৌবা অমদি থৌওং অসি তোঙান-তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিংদসু অচৌবা মমি তারি। লোয়নননা এগ্রিকলচর, হোরটিকলচর, বেটিরিনরি, ফিসরি অমদি হেন্দলুমগী দিপার্টমেন্টশিংদা টেলিফোনগী খুৎথাংদা ৱারি শাবা য়ানবগী দিপার্টমেন্টশিং অসিগী কন্ট্রোল রুম অমমম হাংবিরগা মথৌ তৌবিরগদি লৈবাক মীয়ামদা য়াম্না কান্নবা ওইগনি।

অদোমগী মরুওইবা ওপিনিয়ন ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ নত্রগা hueiyen_lanpao@rediffmail.com/hueiyen_lanpao@yahoo.co.in দা থাবিরকউ।

মৈতৈ পাঙলনা খুন্দারকপগী চহী ১৩৬ শুবা কুমওন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১২ (ঐচ এন এস) : মৈতৈ পাঙল ঈগী খোঙ্গুল লিবা ফাওন্দেসন কম্মিটিনা শিন্দুনা হিয়াংথাং তরাহে কোনজিলদা মৈতৈ পাঙলশিংনা খুন্দারকপা চহী ১৩৬ শুবগী কুমওনগী থৌরম কম্মিটি অসিগী প্রসিদেন্ট বি এম য়াইমা শাহনা থৌরম মপু ওইদুনা ঙসি তরাহে খুনয়াইদা লৈবা মেমোরি ষ্টোন মনাক্তা পাঙথোকখ্রে হায়না কম্মিটি অসিগী সেক্রেটরি ইনফোর্মেসন ফিরোজ খাননা থদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি। চেরোল অদুনা মখা তানা হায়, থৌরম অসিগা মরী লৈননা কম্মিটি অসিগী মেম্বরশিংনা সোসল সর্ভিস কেম্প অমা পাঙথোকখিবগা লোয়নননা অচম্বা চাকলেন অমসু শিনখি হায়রি। থৌরম মপু ওইখিবা কম্মিটি অসিগী প্রসিদেন্ট বি এম য়াইমানা ফোঙদোকখিবদা পাঙথোক্লিবা থৌরম অসি কোভিদ-১৯ পেন্দেমিকনা মরম ওইরগা মপুং ফানা পাঙথোকপা ঙমখিদ্রবসু মতুং তারকপা চহীশিংদা হেন্না পাকথোক-চাওথোক্লা পাঙথোকপা ঙম্নবা হোৎনগনি। লোয়নননা কম্মিটি অসিনা লৈবাক্কী ওইবা ইস্যু কয়াদা শরুক য়াবা ঙম্নবা অমদি ষ্টেট লেভেলগী থাক্তা পুখৎনবসু এদভাইজরশিংগা মখা তাবা মীফমশিং পাঙথোক্লবা খন্নরগনি হায়খি।

ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ১৩।১০।২০২০ ইং, লৈবাকপোকপা;
মেরাগী ২৫ নি পানবা।

মেষ : মীনা লাকচবা ঙমলোই, লৈঙাক্কী লম্‌দসু য়েক্লববু লায়না নমথবা ঙমগনি অমদি লেংদবা লন তাশিনবা ঙমগনি। মরুপ-মপাংদি অফবা তাঙগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা চানবীগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

বৃষ : মায় পাক্লবা হোৎনবদা মতম পূম্নমক্তা থৌনা ফুদোকপা মথৌ তাই। নচা-ননাই লোয়নবা কান্নগনি অমদি অরং-অরাক ফংবৈ নুংঙাইবা লৈ। লাংবদি য়ারোই।
লৈশা পাখংশিংগী - ফোঙদোকপা য়াগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

মিথুন : অঙম্বনা য়েংশিনবা অমদি য়েৎনবনা মাঙজবা ঙসিসু লৈগনি-খজিক্তং খাংবা কল্লদি মায় পাক্কনি। লাইবক ফবনা মফম অমদি অথোইবা লৌশিং ফংই।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা থুংই।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

কর্কট : পাউ নুংঙাইবা তাগনি অমদি লমদৈ কান্নগনি। মরুপ মপাংগী মতেং অমদি শেল-থুম ফংবা নুমিৎনি। অঙম্বনদি চানবীদে, লৌশিং চাওবা লোয়নৌ।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা মপা চারোই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

সিংহ : হরাওবা নুংঙাইবা মীচং হেনগৎপা অমদি থেংলপ্পা মীংচৎ ফংবা য়াবা নুমিৎনি। অদুবু অশাওবা অমদি ঙক কনবনা নরল মাঙবা য়াবদি লৈ-ঈংথৌ।
লৈশা পাখংশিংগী - ৱাখল নুংঙাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

কন্যা : অয়াম্বা লম্‌দা হৈশিংবা অমদি নিংথিনা খন্থবা মথৌ তাবা নুমিৎনি। য়ারগদি অরুবা থবক অমদি অরুবা ৱারেপ লৌবগী মতম খরা লৌবা ফগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - মতাং চাদে।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

তুলা : শেল ফংগনি, মীচং হেনগৎকনি অমদি নীংবদুমক পাংবসু মহয় য়ানগনি। মীতোপ অমদি য়েৎপা পাম্বা মীগা ওনশিন্নদবা ফগনি। থিজিনবা তনগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা থুংই।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

বৃশ্চিক : ঙসিসু লৈঙাক্কী লম্‌দা মায় পাক্কনি-কনানসু লাকচবা ঙমলোই। নাইতোম অরুবা ৱারেপ লৌবা য়াগনি অমদি মীয়াম্না চানগনি। হুরানবদৈদি চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা চানবী ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

ধনু : অশা চাওরগা মীপাইবদুম নংগনি অমদি থৌনা ফুদোক্লসু খৎনবা ওইনা থোক্কনি। অনীংবা থবক্তি পোরম য়াৎপা হৈরদি পাংগনি অমদি মীনা থাগৎপি।
লৈশা পাখংশিংগী - তপথরদি শাফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

মকর : অফা অপুন্নবা খরদি লৈগনি অমদি নরল চেকশিনগদবা নুমিৎনি। য়েক্লবদি লাকশিনবা ঙমগনি, ঙাথোকপদা মীনা থাগৎপিগনি, লাই-গুরুনা চানবী।
লৈশা পাখংশিংগী - হোয়া ফগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

কুম্বা : নীংবা থুংজবা, লাইবক ফবা অমদি লল্লোন ইতিক্তা থোইনা মাঙজিল থাবা নুমিৎনি। নথক থোংবনদি ৱারৌগনি- নথৌদা পূক্লিং চংউ। ঈরাং পুগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা মপা চাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

মিন : মীচং হেনগৎকনি, অনৌবা অশা লাক্কনি অমদি নচা-ননাই চাওখৎকনি। য়েক্লবদি য়াম্মী অমদি ইমুংদসু ৱাখল তান্নদবা লৈগনি। ঈংনা থৌ পাংলদি শাফগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা থুংই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।